# টর্কিগী অৱাং নোংচুপ থংবা লমদমদা অকনবা মওংদা য়ুহা হাখ্রে মীওই ৬০ হেন্না অশোক অপন নঙখ্রে

ইষ্টানবুল, নবেম্বর ২৩ (এজেন্সী): য়ুমশকৈশগী অঙনবদা টর্কিগী অৱাং নোংচুপ থংবা লমদমগী টাউন অমদা মেগ্নিট্যুট ৫.৯ গী চাংদা য়ুহা হাখিবগা লোয়ননা বিল্ডিং খরা অমাঙ অতা থোকখ্রে অমসুং মীয়াম্না পাক্তক্লনা মীপায়নখ্রে।

য়ুহা অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ৬৮ অশোক অপন নঙখ্রে। মখোয় অয়াম্বা মীপায়দুনা য়ুমদগী চেন্থোক্লবা হোৎনবদা শোকখিবনি হায়রি।

দিজাষ্টর এন্দ ইমার্জেন্সি মেনেজমেন্টগী প্রসিদেন্সিগী মতুং ইন্না য়ুহা অদুগী ইপিসেন্টর ইষ্টানবুলগী নোংপোকলোমদা কিমি ২০০ রোম লাপ্না লৈবা দুজসে প্রোভিন্সকী গোলকয়া টাউননি। লোকেল মতমদা অয়ুক পুং ৪.০৮ তাবদা থোক্লককখিবা য়ুহা অদুনা ইষ্টানবুল, কেপিটেল অঙ্করা অমদি লমদম অদুগী মফম কয়া নিকহনখি।

মেগ্নিট্যুট ৪.৩ য়ৌবা অমা য়াওনা মতুং তাবদা আফটর সোক কয়াসু থোকখি। য়ুহা অদুনা টাউন অদুগী মীয়াম্বু তুল্লম্বদগী খঙহৌদনা মীকপ থোকহনখি অমসুং মীওই কয়া মীপায়দুনা য়ুম য়ুমদগী চেন্থোক্লখি। দুজসে প্রোভিন্স অসি চহী ২৩ গী মমাঙদসু য়ুহা কন্না হাখ্রবনি।



য়ামদ্রবদা মীওই ৬৮ শোক পনবদগী দুজসেগী হোস্পিটালশিংদা লায়কন্নখি। মখোয় অয়াম্বা মীপায়দুনা শাফগদবা মফমশিংদা চেন্নবা হোৎনবদা শোকখিবনি। মখোয়গী মনুংদা য়ুমগী বেলকোনিশিং নত্ত্রগা থোঙনাওশিংদগী চোংথদুনা শোকপা কয়া য়াওখি।

হেল্থ মিনিষ্টর ফরেটিন কোকাগী মতুংইন্না য়ুহা অদুদা শোকখিবা মশাগী চহী ২৮ শুরবা অফঘান অমা ব্রেন হেমেরেজ থোকপদগী অরুবা ফিভমদা লৈরি। চেকশিন থৌরাং ওইনা লমদম অদুগী স্কুলশিং থোঙ লোলহনখ্রে। টর্কিগী প্রসিদেন্ট রিসেপ টায়িব ইর্দোগাননা মহাক্কী রুল্লিং পার্টিগী লেজিসলেটরশিংদা ৱা ঙাঙবদা হায়খি, মদুদি য়ুহা অদুনা গোলকয়াগী বিল্ডিং কয়া অমাঙ অতা থোকহনখ্রে। লাইবক ফবদগী কা হেন্না মাঙ তাকপা নত্ত্রগা শিবা শোকপনচিংবদি য়াওহৌদ্রে।

য়ুহা অদুনা দুজসেগী পোর্ট হাউস অমগী য়ুমথক্কী শরুকশিং অকায় অতোই থোকহনখি হায়না হাবেটক টেলিভিজনগী রিপোর্টতা পনখি। অতৈ অমাঙ অতা থোকখিবশিংগী মনুংদা অখুবা লম্বী অমদা লৈবা মথোল অনীগী দুকান অমা নিংখায়খি হায়নসু রিপোর্ট অদুদা পনখি।

ষ্টেটনা চল্লাইবা অনাদোলু এজেন্সিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না ইপিসেন্টরগা নক্লবা সারি দেরে ভিলেজতা লৈবা মোস্ক অমসু অমাঙ অতা থোকপদগী থিংজিনখ্রে। সারি দেরেদা মীয়াম্না য়ুমদগী থোক্লদুনা মপানদা পুনখি। মখোয়না ইংমনবদগী মৈ হৌদুনা তিক্লখি। মীওই কয়া অমা মখোয়গী কা মনুংদা তুম্নখি হায়না প্রাইভেট দি ঐচ এ এজেন্সিনা রিপোর্ট অমদা ফোঙদোকখি।

টর্কিজ রেদ ক্রেসেন্ট ওর্গনাইজেসন্না ব্লাঙ্কেট অমসুং শূপ য়েন্থোকখি। সেরি দেরেদা লৈবা রেসেপ দোর্গান কৌবা মীওই অমগী ৱারোল পল্লদুনা দি ঐচ এ এজেন্সিনা হায়, কন্না নিক্লকপদগী ঐহাক খঙহৌদনা মীকপ থোক্লকখি অমদি ফমুংদগী তাখি। ঐহাক শণ শারগা শাফগদবা মফম কোইথি থীখি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ১৯৯৯ গী নবেম্বর ১২ দা দুজসেদা য়ুহা কন্না হাখিবগী থৌদোক অমদা য়ামদ্রবদা মীওই ৮০০ শিখিবনি। চহী অদুগী ওগষ্টতা নক্লনা লৈবা কোকেলি প্রোভিন্সতা অতোপ্পা য়ুহা হাবগী শাথিরবা থৌদোক অমদা মীওই ১৭,০০০ শিখি। য়ুহা অদুনা টর্কিগী অৱাং নোংচুপকী অতৈ মফম কয়াসু শোকহনখি।

ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না ১৯৯৯ গী য়ুহাশিং অদুগী মতুংদা মফম অদুদা লৈরিবা বিল্ডিংশিংগী চাদা ৮০ রোম নৌনা অমুক শেমগৎ শাগৎখি নত্ত্রগা মখোয়গী মপাঙ্গল হাপ্পনবগী থৌরাং কয়া লৌখৎখি। ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না থৌরাংশিং অদুনা মরম ওইদুনা হন্দক্কী য়ুহা অসিদা অমাঙ অতা কয়া থোকখিদবনি। টর্কি অসি মরু ওইবা ফোর্টলাইনশিংগী মথক্তা লৈবনা য়ুহা তোইনা হাগল্লি।

# য়ুএসকী ভিরজিনিয়াদা লৈবা ৱালমার্টতা নোংমৈ কাপ্পদা মীওই তরা শিখ্রে

ৱাশিংতন, নবেম্বর ২৩ (এজেন্সী): য়ুএসকী ভিরজিনিয়া ষ্টেটকী চেসাপিক্তা লৈবা ৱালমার্ট অমদা গনমেন অমনা নোংমৈ কাপ্পদা য়ামদ্রবদা মীওই তরা শিখ্রে হায়না য়ুমশকৈশ নুমিত্তা পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।




চেসাপিক পুলিসকী মতুং ইন্না লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক পুং ১০.১২ তাবা মতমদা কোল তৌরক্লুনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদুগী পাউ পীরকখি।

পুলিস স্পোক্সমেন অমনা হায়, ষ্টোর অদুগী মেনেজরনি হায়না থাজবা সস্পেক্ট অদুনা মীওই কয়াদা নোংমৈ কাপখি অমসুং মদুগী মতুংদা মহাকসু মথন্তা কাপশিন্দুনা শিজখি। নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদুদা ষ্টোর অদুগী মনুংদা লৈবা মীওই কয়াসু অশোক অপন নঙখি।

এটেক্কর অদুনা করিগীদমক্তা মীয়ামদা নোংমৈনা কাপ্লিবনো অমসুং মশামকসু কাপশিন্দুনা শিজখিবনো হায়বসু খঙবা ঙমদ্রি। ওনলাইনদা থাগৎপা ফুটেজতা ৱালমার্টকী য়ুর্নিফোম শেৎপা থৌদোক অদুবু উহৌবা মীওই অমনা করি থোকখিবগে হায়বদু তন্বা উখি।

মহাক্না হায়খি, মদুদি মহাক ষ্টাফকী কা অমদগী থোক্লককখিবনি। মহাক্না কা অদুদগী হেক থোকপদা মেনেজর অমা চঙলকখি অমসুং নোংমৈ কাপ্পা হৌখি। ঐখোয়গী এসোসিএট খরা শিখিবসি লাইবক থীবনি। মীওই অদুনা মহাক্কী কোলিগ মশিং কয়াম য়াম্না নোংমৈনা কাপখিবগে হায়বসি মহাক খঙবা ঙমদ্রে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

পুলিস স্পোক্স পার্সন লিও কোসিন্সকিনা ফোঙদোকখিবদা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদু ষ্টোর অদুগী মনুংদা থোকখিবনি হায়না থাজে। সস্পেক্ট অদুনা থবক অদু মথন্তা পাঙথোকখিবনি।

থৌদোক অদুগা মরী লৈননা ৱালমার্টনা হায়রি, মদুদি অৱাবগী মশক ওইরবা থৌদোক অদুনা মখোয়বু থম্মোয় শোকহল্লে। মখোয়না লো এনফোর্সমেন্টগা খুৎশম্নুনা লৌখৎপা য়াবা খোঙথাংশিং লৌখৎনবা হোৎনরি।

সেন্টরা নোরফোক জেনরেল হোস্পিটালগী স্পোক্স পার্সন অমনা লোকেল টেলিভিজন ষ্টেসন অমদা ফোঙদোরকখিবা মতুং ইন্না হোস্পিটাল অদুদা মীওই মঙা ট্রিটমেন্ট তৌরি। নুপী অমনা লোকেল টেলিভিজন ষ্টেসন অদুদা হায়খি, মদুদি দুকান অদুদা এমপ্লোয়ি ওইরবা মহাক্কী চহী ২০ গী মৌপ্পা অমা থবক্তুগী সাইন তৌবা মতুং শুপ্পগী মিনিট তরা খক লৈরগা নোংমৈনা পান্দুনা শোকখি। লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অসি কোলোরাদো ষ্টেটতা গনমেন অমনা এলজিবিটি নাইট ক্লবতা নোংমৈ কাপ্পদা মীওই মঙা শিখিবা মতুংদা থোক্লক্লিবনি।

# রসিয়ন ফোর্সশিংনা চথরকপা ষ্ট্রাইকতা মের্টেনিটি ৱার্দতা শোক্লে: য়ুক্রেন

কিভ, নবেম্বর ২৩ (এজেন্সী): হৌখিবা অহিংদা রসিয়ন ফোর্সশিংনা চথখিবা এয়র ষ্ট্রাইকশিংদা য়ুক্রেনগী খা থংবা লমদমদা লৈবা হোস্পিটাল অমগী মেটর্নিটি ৱার্দতা শোকখিবগা লোয়ননা পোকপা কুইদ্রিবা অঙাং অমা শিখ্রে অমসুং অঙাং অদুগী মমা অশোক অপন নঙলে হায়না য়ুমশকৈশ নুমিত্তা য়ুক্রেনিয়ন ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।



ওথোরিটিশিংনা হায়রি, মদুদি মিসাইল ষ্ট্রাইকশিং অদুদা জাপোরিজিয়া রিজনগী বিলনিয়াঙ্কস সিটিদা লৈবা মথোল অনীগী বিল্ডিং মাঙ তাকখি। ষ্টেট ইমার্জেন্সি সার্ভিসনা ফোঙদোকখিবদা মিসাইল ষ্ট্রাইক্তা অকায় অতোইনঙলবা হোস্পিটালগী মেটর্নিটি ৱার্দকী অকায় অতোই মরক্তগী অঙাং অদুগী মমা অমসুং ডাক্তর অমা রেস্ক্যু তৌখি। য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকিনা টেলিগ্রাম পোষ্ট অমদা রসিয়ানা সিভিলিয়নশিং অমসুং সিভিলিয়ন টার্গেটশিংদা লেপ্তুনা এটেক তৌরি হায়না ফোঙদোকখি।

জেলেন্সকিনা হায়খি, মদুদি য়েক্লবনা অমুকসু মীপায়বা পোকহনবা অমসুং মীচমশিংবু অতম্ননা হাৎপগী থবক চথরক্লে। থা মাপনগী মতমদা মহাক্না অসিগুম্বা থৌদোক অমত্তা মখোয়দা থোকহনগে খনবা লৈখিদে। মতুংদসু ঐখোয়না য়েক্লবদা অসিগুম্বা থৌওং চথবা তৌরোই। মদুগী মহুত্তা ঐখোয়গী লৈবাক্তা থোক্লিবা অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসিগী থৌদাং মহাক্না য়াজগনি হায়না জেলেন্সকিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মতুং তাবদা য়ুরোপিয়ন পার্লিয়ামেন্টনা রসিয়াবু টেররিজম শৌগৎপা ষ্টেট অমনি হায়না শকখঙনবা লৌখিবা ৱারেপ্পু য়ুক্রেনগী লিদর অসিনা তরাম্না ওকখি। ইয়ুগী লোমেক্করশিংনা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা এপ্রুভ তৌখিবা রিজোলূসন অদুদা রসিয়ন ফেদরেসন্না য়ুক্রেনগী মীচমশিংগী মায়োক্তা অতম্ননা এটেক কয়া চথদুনা মীশি মীনা অমদি অমাঙ অতা কয়া থোক্লক্লে।

সিভিলিয়ন ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা চাওনা অমাঙ অতা থোকহনবগা লোয়ননা হ্যুমেন রাইটস অমসুং ইন্টরনেসনেল হ্যুমেনিটেরিয়ন লো খোঙ্গাওনবা শাথিরবা থবক থৌওং কয়া রসিয়ন ফোর্সশিংনা চথরে হায়না রিজোলুসন অদুদা পনখি।

# ইন্দিয়ন কম্যুনিটিদা সেক্তর কয়াদা ইনভেষ্ট তৌনবা আপিল তৌখ্রে

কম্পলা, নবেম্বর ২৩ (এজেন্সী): ইন্দিয়ন কম্যুনিটিনা য়ুগান্দাদা লৈরকপা চহী ১০০ মপুং ফারকপদা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট য়োৱেরি মুসিদিন্না হরাও তয়াম্না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ফর্টিলাইজর প্রদক্সন য়াওনা তোঙান তোঙানবা সেক্তরশিংদা হেন্না ইনভেষ্ট তৌননবা মহাক্না ইন্দিয়ন কম্যুনিটিদা আপিল তৌখ্রে।

মুসেবিনিনা মহাক্কী ত্বিটর হেন্দলদা ভিদিও মেসেজ অমা থাগৎতুনা য়ুগান্দাদা লৈরিবা ইন্দিয়ন কম্যুনিটিদা মখোয়না লৈবাক অদুদা লৈরকপা চহী ১০০ মপুং ফারকপদা হরাও তয়াম্না ফোঙদোকপগা লোয়ননা আপিল অসি তৌখিবনি। ঐখোয় এন আর এমনা ইন্দিয়নশিংবু ৱেল্থ ট্রেটরশিংনি হায়না লৌই। মখোয়গা হৌজিক তৎনথানবা য়াদ্রবা মরী লৈনৈ। মখোয় ঐখোয়গী ইচিল ইনাওশিং অমসুং ইচল ইচেশিংনি। মখোয়সু য়ুগান্দানশিংনি। প্রসিদেন্টনা লুচিংলিবা এন আর এম (নেসনেল রেজিষ্টেন্স মুভমেন্ট) অসি য়ুগান্দগী মরু ওইবা রুল্লিং পার্টিনি।

কম্পলাদা লৈবা ইন্দিয়ন হাই কম্মিসনগী মতুং ইন্না হৌখিবা চহী ১০ গী মতম অসিদা ইন্দিয়নশিংনা য়ুগান্দাদা য়ুএস দোল্লর বিলিয়ন অমা হেন্না ইনভেষ্ট তৌখ্রে। য়ুগান্দা অসি ইনভেষ্টমেন্টগীদমক্তা শেম শাদুনা লৈরবা ইং চিক্লবা অমদি নুংঙাইরবা লৈবাকনি হায়না পল্লদুনা মুসেবিনিনা ইন্দিয়ন দাইস্পোরাদা রসিয়া-য়ুক্রেনগী কনফ্লিক্টনা মরম ওইদুনা হৌজিক্তি মমল য়াম্না ৱাংলক্লবা ফর্টিলাইজরগুম্বা হান্না কয়া লূনা লৌনখিদবা সেক্তরশিংদা ইনভেষ্ট তৌননবা আপিল তৌখি।

ত্বিটর পোষ্টতা মহাক্না হায়, ইন্দিয়নশিংনা য়ুগান্দাদা চাওখৎপা অমদি অহোংবা পুরকপা থম্মোয় শেংনা পাম্মী। হৌখিবা চয়োলদা কম্পলাগী মুনয়োনয়ো কম্মন ৱেল্থ রিজের্টতা পাঙথোকখিবা অফ্রো-ইন্দিয়ন ইনভেষ্টমেন্ট সম্মিটকী হোষ্ট ওইনা প্রসিদেন্টনা হায়, কুমজা ১৯৭২ দা মতমদুগী দিক্টেটর ইদি অমিননা এসিয়নশিংবু নমদুনা তান্থোকখিবদগী য়ুগান্দা অমসুং ইন্দিয়াগী মরীদা শোকহনখি। লৈবাক অসিদগী ইন্দিয়নশিং তান্থোক্ত্রিঙৈ কুমজা ১৯৭২ গী মমাঙদা লৈবাক অসিদা ইন্দিয়ন ৮০,০০০ রোম লৈরম্মী। হৌজিক্তি য়ুগান্দাদা ইন্দিয়ন ৩৫,০০০ রোম লৈরি।

# কানাদাগী এমপিশিংনা অমৃটসর য়ৌবা দাইরেক্ট ফ্লাইটশিং লৈহন্নবা হায়জখ্রে

ওন্টরা, নবেম্বর ২৩ (এজেন্সী): কানাদাদা সিখ অমসুং পঞ্জাবি মশিং য়াম্না লৈরিবদু য়েংলগা কঞ্জাবের্টিব এমপিশিংনা লৈবাক অসিগী ফ্লেগ করিয়রদা মখোয়গী লৈবাক অমদি পঞ্জাব ষ্টেটকী মরক্তা দাইরেক্ট ফ্লাইটশিং লৈহন্নবা তকশিনখ্রে।




এয়র কানাদাদা ইবা লেট্টর অমদা এমপিশিং টিম উপাল, জস রাজ সিংহ হলান, ব্রাদলি বিজ অমসুং মার্ক ষ্ট্রালনা টুরিজম চাওখৎহন্নবা অমদি ইমুংশিং মখা তানা শম্নহন্নবগীদমক্তা কানাদা অমসুং অমৃটসরগী মরক্তা দাইরেক্ট ফ্লাইটশিং লৈহন্নবা তকশিনখি। কম্যুনিটি কয়া রিপ্রজেন্ট তৌরিবা কানাদাগী এমপিশিং ওইনা ঐখোয়না কানাদা অমসুং পঞ্জাব ষ্টেটকী মরক্তা দাইরেক্ট ফ্লাইটশিং লৈহনবা হায়বসি ইকনোমিক অমসুং সোসল ভেল্যু চাওনা লৈবা খোঙথাংনি হায়নিংই।

ইষ্টিমেটশিংগী মতুং ইন্না চহী খুদিংগী ইন্দিয়াদগী পেসেঞ্জর লাক্ষ ৫ কানাদাগী টোরোন্টো খক্তদা চৎলি। মখোয় অয়াম্বা পঞ্জাবিশিংনি।

এমপিশিং অসিনা হায়খি, মদুদি কানাদা অমসুং অমৃটসরগী মরক্তা দাইরেক্ট ফ্লাইটশিং লৈহনবা অসিনা টুরিজম অমসুং লল্লোন ইতিক চাওখৎহনবগা লোয়ননা ফেমিলিশিং ইম্পৱার তৌহনগনি। হৌজিক্কী ওইনদি কানাদা অমসুং ইন্দিয়াগী অমৃটসরগী মরক্তা দাইরেক্ট ফ্লাইট অমত্তা লৈতবনা ট্রাবেল্লরশিংনা মরক্তা য়াম্না পনবা মথৌ তাই। মসিনা মখোয়গী খোঙচৎ অদু য়াম্না শাংহল্লি অমদি ৱাহল্লি।

কানাদানা হন্দক্তা ইন্দিয়াগা হেন্না চাওথোকহল্লবা এয়র ট্রান্সপোর্ট দিল অমা লাউথোক্তুনা দেজিগনেটেদ এয়রলাইনশিংবু লৈবাক অনীগী মরক্তা পনখৈ লৈতনা ফ্লাইটশিং ওপরেট তৌবা য়াহনখি। তৌইগুম্বসুং পেক অদুনা কানাদিয়ন এয়রলাইনশিংবু বেঙ্গলুরু, চেন্নাই, দিল্লি, হায়দ্রবাদ, কোলকট্টা অমসুং মুম্বাই য়ৌবদি য়াহল্লগা নাকল অনীমক্কী পেসেঞ্জরশিংনা দিমান্দ তৌদুনসু অমৃটসরদি য়াহনখিদে।

২০২১ গী সেন্সস মতুং ইন্না কানাদাদা চাওরাক্লা পঞ্জাবি ৯০০,০০০ রোম লৈরিবনি। মশিং অসি লৈবাক অসিগী অপুনবা মীশিংগী চাদা ২.৬ রোম্নি। কানাদাগী পঞ্জাবি ইমুংশিং অসিগী মনুংদা ইমুং কয়া পঞ্জাবতা লৈরিবা ইমুংশিং, মরুপ মপাশিং অমসুং বিজিনেসশিংগা হকথেংননা মরী লৈনৈ। ইন্দিয়া অসি কানাদাগী মরিশুবা খ্বাইদগী চাওবা ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্ট মার্কেটনি অমসুং পঞ্জাবি লিশিং চা কয়া চহী খুদিংগী অমৃটসরদা লৈবা গোল্ডন টেম্পলদা চৎলি।

লেট্টর অদুনা মখা তারদুনা কানাদাগী সিটিজন অমসুং পার্মেনেন্ট রেসিদেন্ট ১৪,০০০ হেন্না চহী অসিগী ওফিসল পার্লিয়ামেন্ট পিটিসন অমদা য়াওদুনা কানাদদগী অমৃটসর ফাওবগী দাইরেক্ট ফ্লাইট অমা লৈহন্নবা তকশিনখি হায়না পনখি।

# ইরাক্কি বোর্দররোমদা মিলিটরি দিপ্লোই তৌই হায়বা য়াখিদ্রে

টেহরান, নবেম্বর ২৩ (এজেন্সী): ইরাক্কি বোর্দররোমদা ইরানগী মিলিটরি ফোর্স দিপ্লোই তৌরি হায়বা ৱাফম ইরাক্তা লৈবা ইরানগী এম্বেসেদরনা য়াখিদ্রে। আই আর আই বি ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না ইরাননা ইরাক্কি নেসনেল সোভরেন্টি ইকায় খুম্নে অমসুং চাওখৎ খোঙথাংশিং লাকহন্নবগী লন্বীশিং শেম্নবগীদমক আরব ষ্টেট অসিদা মরা তপ্পা অমদি লিংজেল মান্নবগী ফিভম লাকহন্নবা বাঘদাদনা কন্না হোৎনদুনা লাক্লি হায়না ইরাক্তা লৈবা ইরানগী এম্বেসেদর মোহম্মদ কাজিম অরে সাদেক্না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা বৈরুটতা বেজ তৌবা অল ময়াদিন ন্যুজ চেন্নেলদা ফোঙদোকখি।

মহাক্কী মতুং ইন্না ইরাক্কি কুর্দিষ্টান রিজনদা খুৎলায় পায়বা টেররিষ্ট গ্রুপশিং লৈ হায়বগী প্রুফ ওইনা ইরাননা ইরাক্কি গভর্ণমেন্টদা দোক্যুমেন্ট ৭০ হেন্না সবমিট তৌখ্রে। ইরানগী এম্বেসেদর অসিনা হায়রি, মদুদি টেহরাননা বাঘদাদতা রেফ্যুজিশিংনি হায়না ক্লেম তৌরিবা রেসিষ্ট টেররিষ্টশিংগী গ্রুপশিং অদুবু খুৎলায় থাদোকহন্নবা অমদি মখোয়বু ইরানগা নক্লবা ইরাক্কি বোর্দরগা নক্লনা লৈরিবা মফমশিংদগী লৌথোক্লবা তকশিনবা লৈখ্রে। গ্রুপশিং অসিবু মফমশিং অদুদগী লৌথোকপগী মতাংদা ইরান অমসুং ইরাক্কি মরক্তা হৌজিক ৱারী শানরি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা ইরানগী ইস্লামিক রিভোলুসন গার্দস কোরনা সেপ্টেম্বরগী অথেংবা শরুক্তগী অহুল্লকশুবা ওইনা ইরাক্কি কুর্দিষ্টান রিজনদা লৈবা ইরানিয়ন সেপরেটিষ্ট গ্রুপশিংনি হায়বশিংগী পোজিসনশিংদা মিসাইল অমসুং দ্রোন এটেকশিং চথখিবনি।

# ‘অমুক হন্না পৱার পায়নবা হোৎনবদা পিটিআইনা কেম্পেইনগী মথৌ তাররোই’

লাহোর, নবেম্বর ২৩ (এজেন্সী): পাকিষ্টানগী টেহরিক-ই-ইনসাফ (পিটিআই) গী চিয়ার পার্সন ইমরান খাননা হায়খ্রে, মদুদি মহাক্কী পার্টি অমুক হন্না পৱার পায়রক্কনি অমসুং হৌজিক লৈবাক অসিনা লৈরিবা ফিভম্না মরম ওইদুনা কেম্পেইন চথবগী মথৌ ফাওবা তাররোই।

সেমিনার অমদা ৱা ঙাঙলদুনা পিটিআইগী চীফ অসিনা হায়খি, মদুদি তং তাবা ফিভম অমদি মীয়ামগী থাজবা হঞ্জিলহন্নবগীদমক্তা লৈবাক অসিবু হৌজিক থোক্লিবা শেল থুমগী ক্রাইসিসতগী কনবা ঙম্নবা খুদক্তা মীখল ফ্রি এন্দ ফ্যের ওইনা পাঙথোকপা মথৌ তাই।

হান্নগী পিএম অসিনা মখা তানা হায়খি, মদুদি গভর্ণমেন্টনা মীখলগী মতম থিন্থরিমখৈ পিটিআইগী ওইনদি হেন্না কান্নগনি। অদুনা হৌজিক লৈরিবা লৈবাক অসিগী ফিভম্না মরম ওইদুনা ঐখোয়না কেম্পেইন তৌবগী মথৌ ফাওবা তাররোই।

ইমরান খাননা হায়খি, মদুদি ময়েক শেংনা মেজোরিটি ফঙবা গভর্ণমেন্ট অমা লৈতবা তারবদি থৌনা লৈনা লৌফম থোকপা ৱারেপশিং লৌবা ঙম্লোই। হৌজিক লৈরিবা গভর্ণমেন্টগী পার্ফোমেন্সবু চৈ থাংলদুনা খাননা হায়খি, মদুদি লৈবাক অসিগী হৌজিক্কী অরানবা লম্বী অসি চুমথোক্ল বগীদমক অনৌবা গভর্ণমেন্টনা অকনবা খোঙথাংশিং লৌখৎপা মথৌ তাগনি। খাননা মখা তারদুনা পাকিষ্টাননা করম্না ইনভেষ্টরশিংগী মীৎয়েং চিংশিনগদগে হায়বসিদা মীৎয়েং চঙবা মথৌ তাই হায়নসু ফোঙদোকখি।

মহাক্কী মতুং ইন্না লৈবাক অসিগী ইন্দষ্ট্রিশিংদা ইনভেষ্ট তৌরিবশিং খক্তদা গভর্ণমেন্টনা খুদোংচাবশিং পীগদবনি। পাকিষ্টাননা মখল মখা কয়াগী ক্রাইসিসশিং মায় পাক্না মায়োক্লরিঙৈদা মহাক্কী গভর্ণমেন্টবু চিংথুখিবদা চেন্নবশিং অদুনা খল্লিবদু করিনো হায়বসি হৌজিকসু মহাক্না হায়বা ঙমদে হায়নসু খাননা ক্লেম তৌখি।

মতুং তাবদা খাননা সারিফ অমসুং জর্দারিগী ইমুংশিংবু ক্রিটিসাইজ তৌখি অমসুং করিগীদমক্তা মখোয়বু লৈবাক অসিগী এফিয়র্স পায়হন্নবা পুরক্লিবনো হায়না হংখি।

# নেপালদা অনৌবা পোলিটিকেল পার্টি অমা থোরক্লে প্রাইম মিনিষ্টর দ্যুবা রেকোর্দ ওইনা অমুকসু মায় পাক্লে

কাঠমন্দু, নবেম্বর ২৩ (এজেন্সী): টিভি হোষ্ট অমা ওইরম্বদগী পোলিটিসিয়ন ওল্লকখিবা রবি লামি সানেনা লুচিংবা নেসনেল ইন্দিপেন্দেন্ট পার্টি নত্ত্রগা রাষ্ট্রিয়া শ্বাটন্ট্রা পার্টি (আর এস পি) অসি চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোকপা হিমালয়ন লৈবাক অসিগী ফেদরেল অমসুং প্রোভিন্সিএল ইলেক্সনশিংগী মতুংদা লৈবাক অসিদা অনৌবা পোলিটিকেল ফোর্স অমা ওইরক্লে হায়রি।

প্রিলিমিনরি রিজল্টশিংগী মতুং ইন্না পার্টি অসিনা প্রপোস্নেল রিপ্রজেন্টেসনগী মখাদা সিট মশিং য়াম্না ফংবা য়াই হায়না পারি। ফিভম অসি লৈবাক অসিগী মরা তারবা পোলিটিকেল ফোর্সশিংগী মায়োক্তা লাকপা খোঙথাংনি হায়রি।

পাউ অসি ফাইল তৌবা ফাওবদা ফঙলিবা রিজল্টশিংগী মতুংইন্না পার্টি অসিনা কাঠমন্দু ভেলিদা সিট অহুম ফঙখ্রে অমসুং য়ামদ্রবদা ফেদরেল কন্সটিট্যুএন্সি মঙাদা পার্টি অসিনা লিদ তৌদুনা চৎলি। ফেদরেল কন্সটিট্যুয়েন্সিশিংদুগী মনুংদা লামি সানেনা রিপ্রজেন্ট তৌরিবা চিটৱান য়াওরিবনি। নোংমাইজিং নুমিৎকী মীখল অদু ফেদরেল কন্সটিট্যুয়েন্সি ১৬৫ দা পাঙথোকখিবা ওইরবসু পোলিটিকেল পার্টি অমত্তনা ইলেক্তরেল কন্সটিট্যুয়েন্সি পুম্নমক্তা কন্টেষ্ট তৌখিদে। তৌইগুম্বসুং ফেদরেলিজমগী আইদিয়া মায়োক্তা লৈরিবা আর এস পিদি প্রোভিন্সিএল পার্লিয়ামেন্টকী ইলেক্সনদা কন্টেষ্ট তৌখিদে।

রুল্লিং পার্টি নেপালি কংগ্রেসনা ফেদরেল অমসুং প্রোভিন্সিএল কন্সটিট্যুয়েন্সি অনীমক্কী অপুনবা টেল্লিদা মাঙজিল থাদুনা চৎলি।

নেপাল্লি কংগ্রেসকী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা প্রাইম মিনিষ্টর সের বহাদুর দ্যুবা রেকোর্দ ওইবা মওংদা তরেৎলকশুবা ওইবা পার্লিয়ামেন্টরি ইলেক্সনদা মায় পাক্লে। মহাক হোম কন্সটিট্যুয়েন্সি দাদেলদুরাদগী মায় পাকখিবনি। মহাকপু ইনিদপেন্দেন্ট কেন্দিদেট অমা ওইরিবা সাগর ধাকালনা চেলেঞ্জ তৌখি। অপুনবা টেল্লিদা সি পি এন- য়ু এন এলনা নেপাল্লি কংগ্রেসকী মতুং ইন্দুনা চৎলি। আর এস পিনা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈরি। য়ুমশকৈশ নুমিৎ ফাওবদা সিপিএন (মাওইষ্ট সেন্টর) সিট অমা ফাওবা ফঙখিদে। তৌইগুম্বসুং পার্টি অসিনা কন্সটিট্যুয়েন্সি ১৬ তা মাঙজিল থারি হায়রি।

নেপালগী মীয়াম্না পাম্নরবা টেলিভিজন প্রোগ্রাম অমগী হোষ্ট ওইখিবা লামি সানেনা হন্দক্কী মীখল অসিদা করপসন, মিস মেনেজমেন্ট, ফত্তবা লৈঙাক, গল্ফ অমদি মালেসিয়াদা থবক তৌরিবা মাইগ্রেন্ট ৱার্করশিংগী অৱাবা ফিভম অমদি লৈবাক অসিগী মেনষ্ট্রিম পোলিটিকেল পার্টিশিংনা থোকহল্লিবা অহোবা কয়াগী মায়োক্তা খোল্লাউ কয়া লাউখি। ইন্টরভিয়ু অমদা মহাক্না করিগুম্বা হৌজিক্কী ট্রেন অসি মখা তানা চথবা তারবদি আরএসপিনা য়ামদ্রবদা ফেদরেল পার্লিয়ামেন্টকী সিট ২০ ফংগনি হায়খি।

# পেরুগী প্রসিদেন্ট চৎহন্দবদগী মেক্সিকোনা পেসিফিক এল্লায়ন্সকী মীফম য়ৈথোকখ্রে

মেক্সিকো সিটি, নবেম্বর ২৩ (এজেন্সী): হান্না ইরাই নুমিত্তা পাঙথোক্লবা লেপ্পল্লম্বা পেসিফিক এল্লায়ন্স লিদরশিংগী মীফম পেরুরিয়ন কংগ্রেসনা প্রসিদেন্ট পেদ্রো কাষ্টিলোবু মেক্সিকোদা চৎপা য়াহন্দবদগী য়ৈথোকখ্রে।

লৈবাকপোকপা নুমিত্তা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা মেক্সিকোগী প্রসিদেন্ট এন্দ্রেস মেন্যুয়েল লোপেস ওব্রাদরনা হায়খি, মদুদি পেরুগী প্রসিদেন্টবু য়াওবা য়াহন্দবদগী পেসিফিক এল্লায়ন্সকী মীফম অদু সস্পেন্দ তৌরে।

পনবা য়াবদি, কাষ্টিলনা পায়রম্বা এল্লায়ন্স অসিগী প্রসিদেন্সি লোপেস ওব্রাদরনা টেম্পররি ওইনা পায়খ্রবনি। এল্লায়ন্স অদুগী মেম্বরশিং হায়বদি মেক্সিকো, কলম্বীয়া, পেরু অমসুং চিল্লিগী লুচিংবশিং চয়োল অসিদা মেক্সিকোদা মীফম পাঙথোক্কদবনি। তৌইগুম্বসুং মখোয়না দিসেম্বরদা ওইনা পেরুদা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা উন্ননবগী ৱাফম খন্নরি হায়না লোপেস ওব্রাদরনা ফোঙদোকখি।

মীফম কেন্সেল তৌখ্রবসু প্রসিদেন্ট অসিনা মহাক চয়োল অসিদা চিল্লি অমসুং কলম্বিয়াগী মহাক্কী লেঙমান্নবশিং মথং শিৎনা গাব্রিয়েল বোরিক অমসুং গুষ্টাবো পেট্রোগা বাই লেটরেল মীটিংশিং পাঙথোক্লগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

লৈবাক অনীগী লুচিংবশিং অসিগা উন্নবগী মথক্তা পেসিফিক এল্লায়ন্স অদুদা য়াওবগী প্রোসেসতা লৈরবা ইক্বাদোরগী প্রসিদেন্ট গিলেরমো লাসোসু মেক্সিকোদা লাক্লগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# জেরুসালেমদা পোকখায়বদা মীওই অমা শিরে, ১৪ শোক্লে

জেরুসালেম, নবেম্বর ২৩ (এজেন্সী): য়ুমশকৈশ নুমিত্তা জেরুসালেমদা থোকখিবা তোঙান তোঙানবা পোকখায়বগী থৌদোক অনীদা য়ামদ্রবদা মীওই অমা শিখ্রে অতৈ ১৪ অশোক অপন নঙখ্রে।

পুলিসনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি পোকখায়বগী থৌদোকশিং অদু আই ই দিনা থোকহনখিবনি।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, এক্সপ্লোসিব দিভাইস অমা জেরুসালেম সিটি চঙফমগা নক্লনা লৈবা বস খাম্ফম অমদা পোকখায়খি অমসুং অতোপ্পা অদুনা পুং ১ ফাদনা কান্নরগা ইষ্ট জেরুসালেমগী সেটলমেন্ট এরিয়া অমা ওইরিবা রামোটতা লৈবা বস ষ্টেসন অমদা থোকখি।

ইজরেলগী মাগেন দেভিদ অদোম ইমার্জেন্সি মেদিকেল সার্ভিসকী দিরেক্তর জেনরেল এলিবিননা পাউমীশিংদা হায়খি, মদুদি ব্লাষ্টশিং অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৫ অশোক অপন নঙখি। মখোয়গী মনুংদা খরদি লুনা শোকই।

ষ্টেটমেন্ট অমদা সারে জেদিক হোস্পিটালনা হায়খি, মদুদি অশোকপশিংগী মনুংদা অমদি মখা তানা লায়কন্নবা ঙমদনা হোস্পিটালদা লৈখিদ্রে।

অতোপ্পা ষ্টেটমেন্ট অমদা পুলিসনা হায়খি, মদুদি বোম পোকখায়বগী থৌদোক অনীদুগী মতাংদা থি হুম্বগী থবক চথরি। ব্লাষ্টশিং অদু কো ওর্দিনেট টেরর এটেক অমগী শরুক্লি।

GOVERNMENT OF MANIPUR/234
DIRECTORATE: SOCIAL WELFARE DEPARTMENT
[illegible] / NOTIFICATION
Imphal, the 21st November, 2022

**No. 10/292/2022-SW(CMST)DP:** Applications are invited from the intending eligible candidates for providing monthly pension to Person with Disabilities under CMST.

The prescribed application forms may be collected from the respective District Social Welfare Offices or Directorate Office (Disability Cell) on working days from **24th November, 2022** or can be downloaded from Department's website www.socialwelfare.mn.gov.in and the duly filled in application form along with the necessary documents must be submitted to the offices of the District Social Welfare concerned or Directorate Office (Disability Cell) on or before **26th December, 2022.**

**Sd/- Ng. Uttam Singh**
**Director, Social Welfare,**
**Manipur**

HL/B/7915/24